HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur




পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী এন আই এনা ফাজিনখিবা মীওই ৩ কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না য়াইস্কুল অপূনবা মৈরা পায়বীনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং

লৌশিং পূক্কে : তুম্বদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌওংশিংগী ... লামায় ২
লামায় ৪ ৱাহৈগী ময়াই চন্নকপা ওইরজাৎলা
মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা এগজামগী অকিবা অমসুং ... লামায় ৫
লামায় ৬ মালেম থোঙাম চরা হেল্লকপা নুমিৎ ২২নি শুখ্রে
বি জে পিনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পোলিটিকেল... লামায় ৮
লামায় ১০ ফিজম সন্তোশ মীতৈ নেসনল টিমদা য়াওনবা খল্লক্নে

থৌবালগী জে এন এম ত্রেনিং স্কুলগী জে এন এম থর্দ য়র বেটচ ২০২৩-২৪গী লেম্প লাইটিং অমসুং ওথ টেক্কিংগী থৌরম পাঙথোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 47, Issue No. 344 | থাংজ, লমতাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, March 16, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# কুকি মিলিটেন্টশিংগ হন্দ্রি : সঙাইথেল তম্না য়াম্লবা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা পুং ১ রোম চূপ্না খূৎ থোক্লখ্রে

## খুল ঙাকপা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমী ১ বঙ্করদা ৱান্থরকপদগী লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী তমথীরবা লান মনুংদা থেঙ্খাং কয়ারক্তা মখোয়না চত্থরকপা এটেকশিং মায়োক্ল খ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমশাং পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরিবা সঙাইথেলগী মনীং থংবা শরুক্তা অমুক হন্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়াম্লবা বোম অমসুং নোংমৈ মরদ্ধশিং কাপশিল্লক্লুনা লান্দারকপদগী ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সকী কম্বাইন্দ টিম্না খূৎ হন্দুনা পুং ১ রোম চূপ্না কাপ্লখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নোংঙাল্লমদাই অয়ূক অঙনবা পুং ৩.১০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা সঙাইথেলগী মনীং থংবা শরুক তম্না বোম ২০গী মথক্তা কাপশিল্লকপগা লোয়ননা নোংমৈ মরদ্ধ কয়াসু কাপশিল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয়না কাপ্লকখিবা বোমশিং তাদুনা পোকখায়খি। মখোয়না য়াম্লবা বোমশিং অসিগী মথক্তা নোংমৈ মরদ্ধ কয়াসু লেপ্তুনা কাপশিল্লকপদগী থৌদোক থোকফমগা নক্লনা লৈবা পুলিস আউট পোষ্ট অমসুং ৯শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী মখাদা লৈরিবা ৫/৯- জি আর য়াওনা ৩৩শুবা এ আরগী পর্সনেলশিংনা নোংথক্তা সর্চ লাইট কাপখৎতুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা মফমশিং খঙদোকখি। এটেক চত্থরকখিবা মফমশিং খঙদোক্লবা মতুংদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা কুকি মিলিটেন্টশিং তম্না বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিনবদগী মখোয়না পোজিসন লৌরম্বা মফমশিং থাদোক্লগা চেন্নখি হায়রি।

ঙসিগী লানফম অসিদা ষ্টেট ফোর্স অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্স অনীনা খূৎশম্নদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা খূৎ হন্দুনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা মখোয়বু তানখায়খিবদা সঙাইথেলগী খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা পুং ১ রোম চূপ্না খূৎ থোক্লখ্রবসু কম্বাইন্দ ফোর্সকী মায়কৈদা অশোক ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



অদু সঙাইথেল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা খোয়োন অমসুং নিংথৌলোক্কী লাইচিংঙানবী খুল ময়াদা

নৌনা খল্লবা ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেসকুমার ১সুং সুখবির সিংহ সন্ধু থবক পায়বা হৌখ্রে

নৌনা খল্লবা ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেসকুমার ১সুং সুখবির সিংহ সন্ধু থবক পায়বা হৌখ্রে

# ঙসি নুংথিল লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :**

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কম্মিস্নর অমগী ফম হান্নদগী হাঙদুনা লাকখিবগী মথক্তা পাঙথোক্লগদবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী সেদ্যুল লাউথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা থা অসিগী ৯দা অতোপ্পা ইলেক্সন কম্মিস্নর অরুন গোয়লসু রিজাইন তৌখিবদগী হাঙদুনা লাকখিবা পোষ্ট অনীসিদা ঙরাং জ্ঞানেস কুমার অমসুং সুখবির সিংহ সন্ধুবু হাপচিন্দুনা মেনশিনখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগী মতম হয়েং নুংথিল লাউথোক্লগনি হায়না ঈ সী আইগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট দিরেক্টর (মীদিয়া) অনুজ চান্দবনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিগী মতম হয়েং নুংথিল পুং ৩ তারকপদা ন্যু দেল্লীগী বিজ্ঞান ভবনগী প্লিনরি হোলদা পাঙথোক্কদবা পাউগী মীফম অমদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মীখল অসিগী অরাংফম অমসুং থৌবু পূন্না ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তা মীখল অসিগী মতমশিং লাউথোক্কনি। অদুগা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম হয়েং লাউথোকপগা ইরোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু চৎনবা হৌরগনি হায়রি।

ঈ সী আইগী ৱাঙাঙলোই অমনা ঙসি ন্যু দেল্লীদা ফোঙদোকখিবদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা পাউগী মীফম অসিদা এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট খরগী মীখলগী নুমিৎশিংসু লাউথোক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অদু চহী অদুগী এপ্রিল ১১দগী হৌরক্লগা মে ১৯ ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ঈ সী আইগী পাউগী মীফম অসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লোক সভা মীখল অসিগা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগা পূন্না পাঙথোক্কদ্রা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## য়াওশঙ কুম্মৈসু তৌররোই, স্পোর্টসসু তৌররোই : ক্লব

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):**

শীংজমৈগী নিঙোম থোং সাইরোম লৈরক অমসুং কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৱার্দ নম্বর ৯গী য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনা থোরকপা চেরোলশিংদা চহী অসিগী ওইনা য়াওশঙগা মরী লৈনবা কুম্মৈশিং অমসুং স্পোর্টস ফাওবা তৌররোই হায়রি।

মরম অসিনা নিঙোমথোং সাইরোম লৈরক্কী য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব অমসুং ৱিমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনা কোনবা মফমশিংদা হায়রিবা থৌওংশিং অসি মীয়াম্না চত্থবীগনু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## HL Poll

Q : Ngasi nungthil ECI na Lok Sabha meekhal pangthoknabagi matam laothorakpada seat ani leiriba Manipurgisu soidana yaorakkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : NIAna Manipurda laklaga mee phabada State leingak khanghoude haibasi ataba meesingna thajagadaba wapham oigadra?

Yes 17% No 83%

## অস! লোইরেহে!

-থবক খিৎতং কৌবগা মীমাঙ হেক্তা থোকপা।




- লম য়োঞ্জরি, লম য়োঞ্জরি।

# পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক পুং ২৪দা তেনশিনখ্রে ময়াং ইম্ফালদদি পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

## দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ৱাকৎ খোঙজং অমসুং মৈরাগী রেল্লি চৎপীয়ু : লূপশিং

## লাঙথেলদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে

তোঙানবা লূপ ১৩না ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পূম্বদা কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু হৌজিক চত্থরিবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামিনেসনশিং অমসুং লৈবাক্কী ওইরিবা অৱাবা ফীভম অসিগী য়েংলদুনা লূপশিংনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা পুং ২৪দা তেনশিঞ্জরে হায়না খোঙজং অসিবু চঙশিনগনি লাউথোকখিবা লূপশিংগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটিজ ওর্গনাইজেসন (ফোক্স), মণিপুর, মণিপুরী ৱিমেন্স ফেদরেসন (এম দব্লিয়ু এফ), য়ুনিভর্সিএল মাদরস ওর্গনাইজেসন, মৈতৈ পাঙল ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, য়েলহৌমী কনবা লূপ, ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন, মণিপুর (ইপো), মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপ, মৈতৈ পাঙল কাউন্সিল মণিপুর অমসুং ৱর্ল্ড মীতৈ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এম ও) য়াওনা মহৈরোয় লূপ অমগী মীহুৎনা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অসিনা



ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ থাদোক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা থাওরোইজম, পাৎশোই, সলাম, লুকের, লৈতোং অমসুং মাক্লংগী মৈরা পায়বীশিংনা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩গী অয়ুক্তা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী আর্মি চীফ শিদবামপু এলিয়জ থোইবা অমসুং ইন্টলিজেন্ট ওফিসরনি হায়বা লাইময়ূম আনন্দ এলিয়জ ঈংবগা কোর্পোরেল ইবোমচা মৈতৈ এলিয়জ লান্দবগা পূন্না দেল্লীদগী লাকখিবা এন আই এগী টিম অমনা ফারগা পুখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা তোঙান মখা তানা হায়, জেনরেল ষ্ট্রাইকসি তেনশিনখ্রবসু হয়েংদগী হৌরগা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়ুনিয়ন লৈঙাক য়োৌনবা থৌনা উৎথোক্ত্রবদি বোইকোট তৌরক্কনি : লূপশিং



আর্মি চীফ শিদবামপুগী পোক্লফম ওইরিবা ময়াং ইম্ফালদা মৈরা পায়বীশিংনা পুং ৪৮গী বন্দ শৌগৎতুনা লম্বী থিংখিবা

# এন আই এগী অরিবা কেসতা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ করিগী ফাজিনবনো

## ফাখিবা মীওই ৩ মক মার্চ ২৩ ফাওবা এন আই এনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লালহৌলূপশিংগী মনুংদগী অহানবা ওইনা মমাঙ চহী ২০২৩গী নবেম্বর ২৯দা ন্যু দেল্লীদা লালহৌলূপ অসিগী মীহুৎশিংগা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কগী মরক্তা পিছ এগ্রীমেন্টগীদমক খূৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মমাঙ চহী অদুদা এন আই এ (দেল্লী) না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা রেগ্যুলর কেস নম্বর ২৩/২০২৩দা চার্জ তৌরিবা মরালশিং শীজিন্দুনা পিছ এগ্রীমেন্টগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লিবা লালহৌলূপ অসিগী মরু ওইবা লুচিংবা অনী য়াওনা মীওই ৩ ইম্ফালদগী ফারগা করিগী পুখ্রিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ১৩দা এন আই এগী টিম অমনা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা লাক্লগা ষ্টেট পুলিস অমসুং এ আরগা খূৎশম্নদুনা ফাগৎলগা পুখিবা মীওই অহুম এন আই এনা মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা থা অসিগী ২৩ ফাওবা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

এন আই এনা রিমান্দ লৌখ্রবা মীওইশিংদি লালহৌলূপ অসিগী আর্মি চীফনি হায়বা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক মমাঙ লৈকায়দগী থোকচোম শ্যামজাই এলিয়জ জ্ঞানেশ্বর এলিয়জ থোইবা এলিয়জ জো তুন এলিয়ন জোতোন এলিয়জ শিদবামপু (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবোতোম্বী, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগী লাইময়ূম আনন্দ এলিয়জ ঈংবা (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইন্দ্রেশ্বর অমসুং সলাং কৈখু (লাংজিং), ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী লোক সভা ইলেক্সন

## সী পি আইনা ইহান হান্না মীরেপ লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):**

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না হয়েং নুংথিল দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা পাউগী মীফম অমদা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম লাউথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা সিট অনী লৈরিবা মণিপুরগী ওইনা ইহান হান্না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী মায়কৈদগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর লাইশ্রম সোতিনকুমারনা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোরকখ্রে।



পার্টি অসিগী ওফিস সেক্রেটরি কে ঐচ রোবিন্দ্রোনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা সী পি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# পূন্না হিংমিন্নবদা অপনবা পীরকপশিং মীয়ামগী মাঙ থাদুনা লৈঙাক্লা থেংনরি : সী এম

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):**

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক পূন্না হিংমিন্নদবা য়ারোই, পূন্না হিংমিন্নবদা অপনবা পীরকপা পূম্নমক লৈঙাক্লা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা থেংনগনি, থেংসু থেংনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অকাম্পাৎতা মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।



চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, পূন্না হিংমিন্নবা অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপা হায়বসি লৈঙাকসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। থবক অমা তৌবা মতমদা ঐগী-ঐগী হায়না হান্না মাঙ থারগা তৌরকপদগী ৱাথোক কয়া থোরকপনি। ঐখোয়দা ঐ য়াওই হায়বা মুন্না খন্থরগা থবক তৌসি। মণিপুরদা লৈরিবা পূম্নমক অপূনবগী ৱাখল্লোন্দা থবক তৌমিন্নসি। লমদমসিগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপশিং থেংননবা লৈঙাক্লা মপূং ফানা শেম শারে। মে ৩গীদু রেল্লি ওইরবোই খল্লুরগা ওইরমদ্রে। হৌজিক্তি সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্লা অসিগুম্বা ৱাথোক থোকহন্দনবা শেম শারে। মীয়াম্নসু মীপাইবা, থক্কৎপা লৈবীগনু হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ক্লাস টেনগী এগজাম : মহুৎ শিল্লম্বা ২ তান্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):**

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি, মণিপুরনা লৌদুনা ঙসিদগী পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন, ২০২৪গী অহৌবা নুমিৎতা শামুরৌগী ব্রিলিয়ন পব্লিক স্কুল সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা এগজামিনেসন থারম্বগীদমক রোল নম্বর ৩৯৫৭১ অমসুং ৩৯৫৭৩ এগজামিনেসন অসিদগী তান্থোকখ্রে। মসিগী মতাংদা বোর্দকী এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা ওফিসল ওইবা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৫শুবা মীফমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামিনেসনশিংদা অরানবা পাম্বৈ চত্থবা থিংনবগী মায়োক্তা বিল অমা পুথোক্তুনা এক্ট ওল্লগা চৎনহনখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসন হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সেন্টর কয়াদা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিং নীংথিজনা চেক তৌখি।

# ‘চূড়াচান্দপুরদগী থৱায় হিংনবা চেল্লকপদা কোম ফূরুপকী মীওইশিংনা মখোয়গী গাড়ীদা য়াওবা পেট্রোল খাইদোক্লগা হাপ্পীরক্তুনা কুম্বী য়ৌরকখি’

## হকথেংনবা পাউদম

### তোর্বুং শাবল মনীংদগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস)**

ইচানুপানা থা ৬ খক্তা ঙাইরিঙৈদা লান হৌরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী হৌজিক্তি ইচানুপাগী চহী ১ মখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লান অসি লোইশিনবীদবনা রিলিফ কেম্পতা অসুমক লৈরক্লি হায়না তোর্বুং শাবল মনীং লৈকায়দগী মশাগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবী মাইবম সুনিবলা, মপুরোইবা অঙোম থেম্বা (৩৩) না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়, লান তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদদি তোর্বুংদা য়ূম লৈজরবসু চূড়াচান্দপুরদা মীগী অশানবা কা অমা লৌদুনা ইপুরোইবনা চেক শূবা চৎতুনা হিংজরকখিবনি। মে ৩দগী খঙখিদে। ইপামলোমদগী ইনাওনুপীনা ঐখোয়গী তোর্বুংদা লৈবা য়ূম অদু মৈ থারে, ঈরাং য়াম্না কল্লে মরম অসিনা শাফগদবা মফম অমদা লাক্লবা তৌরো হায়না পাউ পীরকখিবনি। পাউ অদু তাবদগী মশা ঙমদদুনা লৈরিবা ইপুরোইবনা চূড়াচান্দপুরদা চৎখিবা রেল্লি অদু লোইশিনখ্রবরা অমসুং তোর্বুংদা ঈরাং থোক্লগা চূড়াচান্দপুরদদি করিসু তৌদ্রিবরা হায়না য়েংবা থোক্লবদা কুকিশিংনা মীতৈ পন্দুনা ফজদবা ৱাহৈ কয়া ঙাঙ-শকপা তৌহৌরে হায়না চঙলল্লগা মফম অদুদা লৈবা খুদোং চাররোই হায়না ঐখোয়গী গাড়ী মচাদা ইপুরোইবগা ইমা-ইচাগা পূন্না ইখুরা অমগী মতুং ইন্দুনা চীং লম্বীরোমদা চৎখি।



ঈরাং হৌরকখিবা নুমিৎ অদুদা ইপুরোইবদি মশা লাইহৌ তৌরকপদগী মশা ঙমদদুনা লৈরকখিবনা ঈরাং অদুগী মরমদা করিসু

মতমদু নুংথিলগী পুং ৩ খরা হেল্লে। খরা চৎলবা মতুংদদি চীংগী শরুক অদুদা তোঙান্না লম্বী লৈরমদ্রে। অৱাংবা অনেম্বা থিদনা পংথৌদা থৌনরে। চৈরক্তুদা পীল্লিবা ইচানুপা নীংঙাই তৌরকখি। মশা ঙমদ্রিবা ইপুরোইবদি চাক ফাওবা চাদ্রিবনা চীং লম্বীদুদা গাড়ী থৌরকপদা ৱামন্দুনা চীংথক অমদা অহিং লেল্লগা হয়েং চৎলসি হায়রকখি। অদুবু হয়েং য়ৌখ্রবদি ঈরাং অসি করি ওইরক্কনি খঙবা ঙমদে। মরম অসিনা ঙসি থেংলবসু থেংনা মীতৈনা নম্না তাবা খুল অমদা ওইরবসু য়ৌনবা চৎসি হায়না ৱারবসু ৱানা লাকখি।

খরা চৎলগা কোম ফূরুপ্না নম্না তাবা খুল অমা থেংনবদগী মখোয়দা চৎলিবা লম্বী অদুগী মতুংদা করি খুল তাগদগে হংলুবদা মখোয়না লম্বী তাকপীরকপদা নত্তনা নখোয় য়াম্না থুনা চৎহৌরো নৎত্রবদি খুদোংচাদবা ময়াম থেংনরগনি হায়বীরকখি।

কোম ফূরুপকী মীওইশিংদুনা মখোয়গী গাড়ীদা য়াওবা পেট্রোল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মী ফারগা ফূদুনা রেন্সম তানবগী থৌওং য়ানীংদে : এ এম এম পি সী ও

**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস) :** মচা ট্যুসন লোইরকপা ঙাইরিঙৈদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুরগা ফূরকপদা নত্তনা রেন্সম তাল্লকপগী থৌওং অসি কাঙলূপ ফূরুপ শুনা লৈমিন্নরিবা মণিপুরদা মখা তানা তৌহন্নীংদে হায়না ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম পি সী ও) গী প্রসিদেন্ট রহমন য়ূমখাইবম্না ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি নুমিদাংৱাইরম খুরাই অহোঙ্গৈদা লৈবা জে আর হোস্পিটালদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়, থা অসিগী ১১দা ক্যামগৈ মনীং লৈকায় পল অহনবীদা লৈবা ট্যুসন সেন্টর অমদগী মচা লৌনবা ঙাইখিবা লিলোং হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দগী ফুন্দ্রেময়ূম ৱাহিদুর রহমন (৫২) বু শকখঙদবশিংনা মীওই অসিগী অলটো কার অদুগা কোন্ননা ফাদুনা পুরগা কার অদুনা পিশুমগী মফম অমদা হুন্দোক্লমখি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫